# এন পি এফকী মীরেপ লৈশিও কৈশিংগী য়ুমদা বোম পোকখায়হন্দুনা মীওই ৯ শোকখিবগী মায়োক্তা ৱাকং মীফম চথখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ৩ঃ*

মণিপুর এসেমব্লীগী অনীশুবা ফেজগী মীখলদা মীরেপ ওইরিবা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) কী মীরেপ কে লৈশিল কৈশিংগী লঙ্গোল লাইমনাই চীংদা লৈবা য়ুমদা বোম পোকখহন্দুনা মীওই ৯ অশোক অপন নংহনখিবা থৌদোক্কী মায়োক্তা ঙসি লমদম অদুগী মীওই কয়ানা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

লাঙ্গোল লাইমানই অপুনবা মৈরা পাইবী চীং-তম অমদি ইম্ফাল তাঙ্খুল মৈরা পাইবীগী ইমা-ইবেন কয়ানা শরুক য়াদুনা লাঙ্গোল লমখাইদা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী বিলিস কৌবী অহল অমনা ফোঙদোরকখিবদা দেমোক্রেসি চৎপা লমদম অমদা খ্বাইদগী মরু ওইবা অমা ওইরিবা মীখল অসিদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোকহন্দুনা মীওৎ-মীনৈ, অশোক অপন কয়া নংহনবসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। অদুগুম্বা থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা কনে দম তৌই।

থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংলবা মীওইশিংবু শিজ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লৈরিঙৈ চৈরকসিদা মীয়ামগীদমক লৈরিবা পুলিসশিংনা বোম পোকখায়হনবদা শোক্লবা মীওই অমগী য়ুমদগী মীওই অমবু নমদুনা পুরগা চৎখিবা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। অশোকপগী ৱারিঙৈ চৈরত্তা পুলিসকী অসিগুম্বা থৌওং অসিনা হেন্না খোইশাওনহল্লে হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, বোম পোকখায়হন্দুনা মীওই কয়া শোকহল্লমখিবা অদু করিগীদমক চথখিবনো হায়বদু মীয়ামদা খঙহল্লু। ইংনা চিক্না লৈরিবা লাঙ্গোলদা অমুক হন্না অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোকহনবীগনু হায়না অপিল তৌরকখি।

# মেঘালয়াগী গারো হিলসতা মিলিটেন্টশিং মখা তানা সরেন্দর তৌরক্লি

এজেন্সি

বাগমরা, মার্চ ৩ঃ মিলিটেন্টশিংগী অৱাবা চৈথেং লৈরিবা মেঘালায়াগী গারো হিলস রিজন্দা মমাঙ্দা সরেন্দর তৌরকপগী থবক মখা চথরকপা ওই না জি এন এল এগী কাদর অমা ঙসি অয়ুক পুলিসতা সরেন্দর তৌরক্লে।

সরেন্দর তৌরক্লবা কাদর অদু সাউথ গারো হিলসকী মনুং চন্না লৈবা টাই দাং নাচি চিরিদগী মশাগী চহী ২২ শুৱবা চাদম রামেদ এ মরাক এলিয়াস মেদ এলিয়াস চিটমাং কৌই। মহাক্না এস জি ঐচ পুলিসকী মমাঙ্দা খুৎলাই অমত্তা য়াওদনা সরেন্দর তৌরকপনি।

এস জি ঐচ সুপরিন্টেনদেন্ট ওব পুলিস অব্রাহম টি সাঙ্মানা ফোংদোরকপা মরাক অসি কুমজা ২০১৫কী মার্চ থাদা জি এন এল এ লুপতা ৭শুবা বেটচ ওই না চংখিবনি হায়রি।

মহাক মমাঙ থাগী ২৪দা লুপ অসিগী রোংটোল খুঙ্গংদা লৈবা কেম্পতগী চেন্থোরক্তুনা থা অসিগী ২গী নুমিদাঙ্দা সিজু জ গা য়ৌরকখিবনি হায়রি। মহাক য়ৌরকপদা লুপ অসিদগী সরেন্দর তৌনবগী অপাম্বা অদু মফম অদুগী মেম্বরশিংগী খুখাঙ্দা ফোঙদোরকপনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মকোক সাঙ্মানা মখা তাখি।

# নাগালেন্দ এসেমব্লী বজেট সেসন মার্চ ২১দগী হৌরগনি

*কোহিমা, মার্চ ৩ঃ*

নাগালেন্দ এসেমব্লীগী ২০১৭-২০১৮ ফাইনান্সিয়েল এয়রগী বজেট সেসন লাক্লিবা মার্চ ২১দগী হৌরগনি হায়রি।

নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ)না লুচিংবা দিমোক্রেটিক এলাইন্স ওফ নাগালেন্দ (দান) গভর্নমেন্ট অসি ২০১৮দা জেনরেল ইলেক্সন অমা থেংনগদবা ওইবনা হন্দক্কী সেসন অসিনা অরোইবা বজেট সেসন হায়বদু ওইবা য়ারি অমসুং খ্বাইদগী মরু ওইবদি ষ্টেট অসিগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর সুরহোজেলি লৈজিৎসুনা সরকার নৌনা পায়রকপগী ওইনদি অহানবা সেসন হায়বদু ওইগদৌরিবনি।

২০১৮গী ফেব্রুৱারিদা লোইগদবা নাগালেন্দ এসেমব্লী অসিগী মনুংদা এন পি এফকী মরক্তা য়ান্নদবা কয়া লাকপদগী সরকার কায়রক্তুনা নৌনা চীফ মিনিষ্টরশিং হোংদোক হোংজিন তৌবগী থবক অসি হন্দক্কী অসিনা অহুমলক শুবনি।

নাগালেন্দ ট্রাইবস এক্সন কম্মিটি, কোহিমা অমসুং জোইন্ট কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী মখাদা মীয়ামগী অকনবা প্রেসর অমা লাকপদগী টি আর জেলিয়াংনা ফেব্রুৱারি ২২দা ফম থাদোকখ্রবা মতুং লৈজিৎসুনা অহুমশুবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা টার্ম অসিগী ৱাশক লৌখিবনি। পনবা য়াবদি নাগা ট্রাইবশিংগী লুপশিং অদুনা চয়োল ৩ লোম টি আর জেলিয়াং ফম থাদোক্লবগীদমক নাগালেন্দ পুম্বদা বন্দ কৌখিবনি। মদুসু ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী মখাদা অরবান লোকেল বোদিশিংগী মীখলদা নুপীশিংগী চাদ ৩৩গী সিট রিজার্ব তৌগনি হায়বা জেলিয়াংগী ৱাফম অদুদগী হৌরকখিবা ইহৌনি। হন্দক্কী এসেমব্লী সেসন অসিদা অনৌবা স্পিকর অমা খনবগী থবকসু পাঙথোক্লবা য়ারি। মরমসিদগী গভর্নর পি বি অচারিয়ানা নাগালেন্দ লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী দিপ্যুতি স্পিকর ইমতিকু মজুকপু স্পিকরগী চার্জ পুনবা খঙহনখ্রে।



অনৌবা এসেমব্লী অদুগী স্পিকর অমা খনদ্রিবা ফাওবা মহাক্না স্পিকরগী মথৌ অসি তৌগদবনি। পনবা য়াবদি, মমাঙদা স্পিকর ওইরম্বা চোতিসু সাজোনা স্পিকর ওইরম্বদগী পব্লিক হেল্থ ইঞ্জিনিয়ারিংগী কেবিনেট মিনিষ্টর ওইনা লৈজিৎসু সরকারদা ৱাশক লৌখিবনা স্পিকরগী ফম অসি হাংদুনা লাকপনি।

# ছটিসগরদা পুলিস পার্সোনেল অনি শীরে

*এজেন্সি*

*জগদলপুর, মার্চ ৩ঃ*

ছটিসগরগী বিয়াপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চারলি খুঙ্গংগা নক্লনা লৈবা উমংদা নেক্সেলশিংগা খুৎ থোক্লবদা পুলিস কন্সষ্টেবল অমসুং এসিষ্টেন কন্সষ্টেবল অমা শীখ্রে।

অপুনবা পুলিসকী খুৎপু অমনা লমদম অদুদা লৈবা লম্বী শেম্বগী থবক ঙাক শেন্দুনা লৈরিঙৈদা নেক্সেলশিং অদুনা এম্বুস তৌরকখিবনি হায়রি।



ছটিসগর আর্ম ফোর্সকী ১০শুবা বট্টালিয়নগী কন্সষ্টেবল হেমন্ত কুমার অমসুং এসিষ্টেন কন্সষ্টেবল দুবরাম এম্বুস তৌরকখিবা মফম অদুমত্তা শীখি। অহানবা ওইনা থিগৎপদা ফংখিবা পাউগী মতুং ইন্না এসিষ্টেন কন্সষ্টেবল অদুগী অশেংবা মমিং সুবরাও কৌই হায়রি।

# মণিপুর নাগা পিপলস ফ্রন্টনা শেংদোরক্লি

*ইম্ফাল, মার্চ ৩ঃ*

মার্চ তাং ২, ২০১৭গী পুং ৫দা ফুংয়ার কেন্দ্রগী এন পি এফ কেন্দিদেন্ট লৈশিও কৈশিংগী য়ুমদা লাইমনাই লাম্থোকচিং ইম্ফালদা বোম পোকখায়হনখিবা অদু মণিপুর নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এম এন পি এফ)ননি হায়না মীয়ামদা শেংদোরক্লে।

এম এন পি এফনা এন পি এফপু য়েক্লবা পোলিটিকেল পার্টিনি হায়না লৌদে। অদুবু ইন্দিয়াগী ইলেক্সন অসিনা মরম ওইরগা নাগা পিপলস মণিপুরবু ইলেক্সন খুদিংদা এন এস সি এন (আই এম)গা পুল্লগা নাগা পিপলসশিংগী মথক্তা ফোর্স শীজিন্নদুনা ফেয়র সাইকোসিস লৈহল্লগা হ্যুমেন রাইট ভাইওলেন্স তৌদুনা নাগাগী মনুংদা দিস য়ুনিটি হেনগৎহনবা অসিনা মরম ওইদুনা লাক্লিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লী অসিদা নাগা কেন্দিদেট ময়াম্না এক্সটর্নেল ফোর্সকী মতেং লৌরগা ইলেক্সন তৌবা য়ারোই হায়না হৌখিবা ফেব্রুৱারি ১৭তা এম এন পি এফনা প্রেসতা চেরোল অমা থোকখ্রবনি।

এম এন পি এফনা লৈসিও কৈশিংবু ইলেক্সন অসিদা প্রোব্লেম থোক্তনবা ৱারী শান্নবা কৌবদা থৌশাখিদে। লৈশিও কৈশিংনা এন পি এফকী মীরেপ অমা ওইনা নাগাগী ইন্টরেষ্ট য়েংদুনা এন এস সি এন (আই এম)বু শীজিন্নদুনা মখোয়গী মতেং লৌদুনা লাক্লিবা মীখল অসিদা কারগনি হায়না খন্দুনা লৈরি।

এন এস সি এন (আই এম) গা পুল্লগা ফুংয়ার কেন্দ্রগী মীয়াম্বু নমথাক তৌদুনা অকি অখণ্ড লৈহন্দুনা নমদুনা ভোট লৌননবগী থবক তৌরকপদগী এম এন পি এফনা থৌদোক অদু থোকহনখিবনি।

হৌজিকসু এন পি এফনা এন এস সি এন (আই এম) শীজিন্নদুনা মীয়ামগী মথক্তা নম্ফু তৌদুনা ভোট খোম্বা লৈরবদি অদুগুম্বা মীওইশিং অমদি ভোট ফংনবা ফিজিকেল, মেন্টেলগী ওইবা মীওৎ-মীনৈ চথবা কেন্দিদেট অমসুং ৱার্করশিংগী মথক্তা এম এন পি এফনা দন্দি পীগনি।

খুন খরদা বুথ কেপচর তৌবা থোক্লবদি প্রিসাইদিং ওফিসার অমদি পোল্লিং ওফিসারশিংদা পীবা য়াবা দন্দি পীগনি। অসিগুম্বা থৌদোক লাকপা মতমদা এম এন পি এফবু লান্না লৌবীদনবা মীয়ামদা অপিল তৌরি। অসিগুম্বা থৌদোক কয়া চথদুনা নমফুদা ভোট খোম্বা অমদি মীওৎ-মীনৈ চথবা লৈরবদি এম এন পি এফতা অথুবা মতমদা পাউ পীবিয়ু হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

## কেন্দ্র ৩৮ গী মীরেপ ১৬৮ গী মরাইবক ঙসি...

লোয়ননা লেমহৌরিবা কম্পনি ২৫০ অসিগী মথক্তা অসাম, উরিষা, উত্তর প্রদেশ, মিজোরাম্নচিংবদগী ষ্টেট আর্মদ পুলিস ফোর্সশিংসু মীখল অসিদা শিজিন্নরি।

মীখল অসিদা ভি দি এফ পার্সোনেলশিং শিজিন্নবগী অয়াবা ফংদ্রবসু হোম গার্দ পার্সোনেলশিংদি শিজিন্নবগী য়াবগী অয়াবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পীরকখ্রে।

অমরোমদা মীখল অসিদা ভোট থাদবা লাক্লিবা অহল ওইরবশিং, পার্সন ৱিঠ দিসএব্লিতিশিংবু মতেং পাঙনবগীদমক পোল্লিং ষ্টেসন লৈরিবা লৈকাই অদুদগী এন সি সি, স্কাউটস, এন ৱাই কেগী ভোলুন্টিয়ারশিং অমসুং মহৈরোই ভোলুন্টিয়ার মশাগী চহী ১৪ দগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা কয়া শিজিন্নবগী অয়াবা পীখ্রে।

মীখল অসি শান্তি ওইনা পাঙথোকপা য়ান্নবগীদমক সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগী থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে।

মীখল অসিদা ক্রিটিকেল ক্রিটিকেল পোল্লিং ষ্টেসন ২৬৫ অমসুং ভর্নরেবল হেমলেট ৩৪৪ য়াওরি। মসিগী মনুংদা চুরাচান্দপুরনা ভর্নরেবল হেমলেট খ্বাইদগী মশীং য়াম্না লৈরি। কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টনা ক্রিতিকেল পোল্লিং ষ্টেসন ৮৪ লৈদুনা খ্বাইদগী ৱাংনা লৈরি হায়না পাউ অসিনা হায়রি।

হয়েং ভোট থাদনরবা মতুংদা থা অসিগী ১১দা মীখলগী ভোট মশীং থিগদৌরিবনি। থা অসিগী ৮ দা অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোক্কনি। মসিগী ভোট খোম্বগী থবক অসি লাক্লিবা মার্চ ৬কী নুমিদাংৱাইরম পুং ৩ তাবা মতমদা লোইশিনগদৌরিবনি।

## গারী ৪ মৈ থারম্লে

থৌদোক অদু থাসিগী দা মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা বিজেপিগী ভোটতা শীজিন্নবা বোলেরো অমা, টাটা সুমো ১, অদুগা এলজেপিগী মীরেপনা শীজিন্নবা গারী অল্টো কার ১ অমসুং টাটা সুমো ১ পুন্না গারী মরি অসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী কিদনেপ তৌদুনা পুখ্রবা মতুং ঙরাং অহিং নোংয়াইদা পুরুল ভিলেজগী ভক্তি জঙ্কসন ময়াদা মৈ তারমখিবনি। শকখঙদবশিংনা গারী ৪ অদু মৈনা তুম্না চাকখিবদগী অমত্তা লৌবা য়াদ্রে হায়রি।

## ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী চৎনবা য়ারোইদবা ওর্দর...

ইং ২০১৩দা শাবা লোইখিবা থোং অমদা টন ২৪ দগী হেন্না লানবা য়ারোই হায়না ফোঙদোক্লিবা অসি ট্রান্সপোর্টরশিং অমসুং গারীগী মীওইশিংবু অন্দরগ্রাউন্দশিংদা শেল থিনবা শিনবা থৌশিলনি।

ইকোনোমিক ব্লোকেদ অসিনা মরম ওইরগা এন ঐচ ৩৭ তা গারী চৎখিবা অসিদা নুংঙাইতবা ফাওবা চীংগী লুপ অমা লৈরিবনি। ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী চৎনবা য়ারোইদবা ওর্দর অদু ককথৎকদবনি। করিগুম্বা মসিদা তাবিদবা তারবদি গারী চৎপা লেপ্পগী খোঙজং ফাওবা লাকপা য়াই।

অমরোমদা নেসনেল হায়ৱে ইকোনোমিক ব্লোকেদ অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা এন ঐচ ২ দা লালহৌবদা তেক্স য়াম্না চাউনা থিরগা গারী চৎলিবা মীওইশিংনা খুদক্তগী গারী লেপ্পীনবা আপীল তৌখি। মসিদা লম হেন্দুনা চৎলবদি মদুগী থোরকপা দায়ত্ব পুম্নমক মখোয় মশা মশানা পুগদবনি হায়খি।

## এক্স এমপি য়ুম্নাম য়াইমা লৈখিদ্রে ...

কোলকতা য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা ১৯৪০ দা মেত্রিক পাস তৌরবা মতুং ১৯৫২ দা গৌহাটি য়ুনিভর্সিটিদগী বিএ পাস তৌখি। পুনেদা লৈবা ওল ইন্দিয়া কোওপরেটিভ কলেজদগী অৱাংবা থাক্কী ট্রেনিং ফঙখি। মণিপুর লো কলেজদা লো তম্লমখি। জননেটা ইরাবতকী লীচিং মখাদা পোলিটিকেলগী লম্বীদা খোঙ থাংজিনবা হৌরকখিবসি মশাগী চহী ১৭ শুরকপদগীনি অমদি ওইনাম কেন্দ্রগী মীহুৎ ওইনা টার্ম ৭ লক থঙন-থঙননা মীহুৎ ওইনা কারক্তুনা মিনিষ্টর, স্পিকর অমদি মণিপুরগী এমপি ওইনা খোঙদারমখি। মহাক্না মীহুৎ ওইনা পুরম্বা থবকশিংদি ১৯৫৭ দা টেরিটোরিয়েল কাউন্সিলগী মেম্বর ওইনা খনখিবা, ১৯৬২ দগী ১৯৮৫ ফাওবা মণিপুর এসেমব্লিগী মেম্বর ওইরম্বা, আইএফসিদি, লো অমদি এদুকেসন মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুরম্বা, ১৯৮২ দগী ৮৫ ফাওবা এসেমব্লিগী স্পিকর ওইখিবা অমদি ১৯৯১ দগী ১৯৯৬ ফাওবা লোক সভাগী এমপি ওইখিবশিং অসিনি।

মহাক্না এদুকেসন মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা জেএনয়ু য়ুনিভর্সিটি সেন্টর মণিপুর, রিজনেল মেদিকেল কলেজ, বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর লিংখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। ১০ শুবা লোক সভা মীখলদা মায় পাক্লবা মতুংদা মণিপুরী লোলবু ৮শুবা সেদ্যুল্ডদা চলহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌখি।

পোলিটিক্সতগী লাপথোক্লক্লবা মতমদা অইবা অমা ওইনা ‘পুন্সি খোঙচৎ ২০০৫’, এ পিছ ওফ ষ্টেট লোক সভা, সিটারাম (২০১১), অমসুং নুংশিননা হিংমিন্নবা হায়বা লাইরিকশিং অসি ইরমখি।

## থাওগী পাউ

**Product Release Ex Depot dated 03/03/2017**

| Sl No | Dist: Imphal East | | MS | HSD | REMARKS |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | KONTHOUJAM KSK | KYAMGEIPALI | - | - | |
| 2 | P.G.PETROLUEM | CHINGMEIRONG | 4 | 4 | |
| 3 | TUKS & BONS F / STN. | Hatta | 4 | 4 | |
| 4 | KHURAI SERVICE STN | KHURAI | 4 | 4 | |
| 5 | KSK KOIRENGEI | KOIRENGEI | - | 4 | |
| 6 | LEMBISANA S.STN | UYUMPOK-PAORABI ROAD | 4 | 4 | |
| 7 | KUSUM S / STN. | PALACE GATE | 8 | 8 | **4 KL HSD Reserved for TDC. 4 KL & 16 KL HSD reserved CAPF - Election Duty is already available. DC is requested to kindly arrange upliftment of the product. 4 each KL HSD and MS is reserved for Election** |
| 8 | POROMPAT SERVICE STN | POROMPAT | 4 | 10 | 4 KL each HSD and MS is reserved for DC/IE. 233 Litres of HSD and 40 litres of MS is reserved for Manipur Milk Producers' Co-operative Union Ltd, on every day basis till 05.03.2017 |
| 9 | EASTERN AGRO SERVICE | KONGBA | 4 | 4 | |
| 10 | FRIENDLY S.STN | KHABEISOI | 4 | 12 | **8 KL HSD reserved for election, Issue on permit to be given by DC/Ukhrul** |
| 11 | DGR Velocity KSK | NAPET PALLI | - | 4 | |
| 12 | IBETOMBI KSK | TAKHOK | 4 | 8 | 4 KL HSD is reserved for xtra Fleet |
| 13 | THAMBAL KSK | TINSEED | 4 | 4 | |
| 14 | DSLS | MANTRIPUKHARI | - | 4 | |
| | | **Total** | **44** | **74** | |
| **Sl No** | **Dist: Imphal West** | | | | |
| 1 | EMO F / STN. | SINGJAMEI | 4 | - | |
| 2 | IBOCHOU S / STN. | KAKWA | 4 | 4 | |
| 3 | K. NILO SINGH | LANGJING | 8 | 9 | **4 KL HSD is reserved for HVS, 5 KL HSD reserved for Xtra Fleet** |
| 4 | JAS GAS STN. | URIPOK | - | - | 10 KL HSD is already avaialble at the RO, reserved for Election. DC/IW to issue Permit. |
| 5 | HIGHWAY PETROLEUM | TERA BAZAR | 4 | 4 | 4 KL HSD is reserved for Election. DC/IW to issue Permit. |
| 6 | KONSAM OIL SERVICE | LANGTHABAL KUNJA | 4 | 8 | |
| 7 | Krishnapremi Oil city | MOIRANGKHOM | 4 | 8 | 10 KL MS & 10 KL HSD already available at Retail outlet is reserved for Political Parties for release on special permit issued by DC. 4 KL each MS & HSD is reserved for Political Parties. Issue on permit given by respective DC |
| 8 | LAMSANG OIL SERVICE | LAMSANG | 4 | 8 | |
| 9 | YUMNAM ROMABATI KSK | CHINGAMAKHA | 4 | 4 | |
| 10 | TIDDIM SERVICE STN | TIDDIM ROAD | 4 | 9 | 9 KL HSD is Reserved for TDC. |
| 11 | MAYAI LAMBI S.STN | HIYANGTHANG | 8 | 4 | |
| 12 | HEIRANGOITHONG SS | HEIRANGOITHONG | 8 | 9 | 9 KL HSD is Reserved for TDC. |
| 13 | PCTC | Khoyathong | 55 | 62 | 20 KL HSD is reserved for Govt. depts, Xtra Fleet and including 1.5 KL HSD for BSNL. 10 each KL HSD resereved for for CEO/Office, DEO/IW, CAPF &Police. Sufficient Qty of MS and HSD reserved as per CEO's direction are already available at the RO (12 KL MS & 32 KL HSD for CAPF /SAPs, 5 KL each HSD reserved for CEO/Office, DEO/IW, CAPF &Police , 10 KL each MS & HSD reserved for Assembly Secretariat). Respective DCs/ Authorities are requested to kindly arange to issue permit to upliftment of the product. |
| 14 | BAKLIWAL ENTERPRISE | North AOC | 8 | 12 | Sufficient Qty of MS and HSD is reserved as per CEO's direction are already available at the RO. 4 KL HSD reserved for next Convoy joining vehicle. Respective DCs/ Authorities are requested to kindly arange to issue permit to upliftment of the product. Issue on permit to be given by respective DC. |
| 15 | B.B. & CO. | SANGAIPROU | 4 | 8 | 10 KL MS & 25 KL HSD already available at Retail outlet is reserved for Political Parties for release on special permit issued by DC. 4 KL HSD & 8 KL MS is reserved for CAPF. Issue on permit given by respective DC |
| 16 | KRISHNADAS S / STN. | Ghari | 4 | 12 | |
| 17 | LNCN SONS F.STN | SEKMAI | 4 | 4 | |
| 18 | IMPHAL OIL AGENCY | CHINGMEIRONG | - | 5 | Already sufficient qty of MS and HSD under reserved category is available. DC/ Kamjong to issue permit. Another 4 KL HSD is reserved for Election, DC/Kamjong to issue pass. |
| 19 | UNITED BROS | KHONANG KARAK | 4 | 5 | |
| 20 | SLC, Kisan Sewa Kendra | Sadokpham | 4 | - | |
| 21 | DIAMOND SERVICE | KWAKEITHEL | 4 | 8 | 4 KL HSD is reserved for Election. DC/IW to issue Permit. |
| 22 | HEIBOK FILLING KSK | HEIBOK | 0 | 0 | |
| 23 | THOUNA | HIYANGTHANG | 4 | 4 | |
| 24 | MANIPUR HIGHWAY S.STN | KHABAM | 4 | 4 | |
| | | **Total** | **151** | **191** | |
| **Sl No** | **Dist: Thoubal** | | | | |
| 1 | INDO MYANMAR OIL CENTRE | WANGJING | 4 | 8 | 4 KL HSD reserved for TDC. 4 KL each MS and HSD is reserved for DEO/Tbl Issue on permit given by respective DC |
| 2 | S.Mani Filling Centre | kakching | 4 | 8 | 4 KL HSD reserved for TDC. 4 KL each HSD and MS reserved for DEO/Cdl, issue on permit given by DC. |
| 3 | TH SOROJINI DEVI | KHANGAPOK | - | - | |
| 4 | KANHAI & SONS | THOUBAL | 4 | - | 4 KL each HSD & MS is reserved for DEO/Tbl Issue on permit given by respective DC |
| 5 | KSH. BAIKUL SINGH | KAKCHING | 4 | 8 | |
| 6 | Keramat & sons | YAIRIPOK | 4 | 4 | |
| 7 | CHARGY FUEL STATION | LILONG | 4 | 4 | |
| 8 | KHA MANIPUR | LANGMEIDONG | 0 | 8 | |
| 9 | THOKCHOM KSK | HEIROK | 0 | - | |
| 10 | LEISHANGTHEM KSK | LEISHANGTHEM | 0 | 4 | |
| 11 | YUMNAM OIL SERVICE | WABGAI | 4 | 4 | |
| | | **Total** | **28** | **48** | |
| **Sl No** | **Dist: Bishnupur** | | | | |
| 1 | NAMBOL SERVICE STN | NAMBOL | 4 | - | 1 KL MS is reserved for DEO/Bpr Issue on permit given by respective DC |
| 2 | MOTOR S. STN. | MOIRANG | - | - | 4 KL each HSD and MS is reserved for Election. |
| 3 | BITEJ GASOLINE CENTRE | BISHENPUR | - | 9 | 9 KL HSD is reserved for DEO/Bpr. Issue on permit given by respective DC |
| 4 | NINGTHOUJA KSK | KUMBI | 4 | - | |
| | | **Total** | **8** | **9** | |
| **Sl No** | **Dist: Churachandpur** | | | | |
| 1 | TUIBUONG S /STN. | Churachandpur | 4 | 8 | 8 KL HSD is reserved for DEO/CCpr. Issue on permit given by respective DC |
| 2 | SUAKHUN & SONS | Churachandpur | 4 | 8 | 8 KL HSD is reserved for DEO/CCpr. Issue on permit given by respective DC |
| 3 | LAMKA FILLING STATION | NEW LAMKA | 4 | 4 | 4 KL HSD is reserved for DEO/CCpr. Issue on permit given by respective DC |
| 4 | M/S NIANGCHIIN SERVICE S | Buallian | - | 8 | 8 KL HSD is reserved for DEO/CCpr. Issue on permit given by respective DC |
| | | **Total** | **12** | **28** | |
| **Sl No** | **Dist: Pherzawl** | | | | |
| 1 | Zuasiam Kisan seva kendra | THANLON | - | - | |
| | | **Total** | **0** | **0** | |
| **Sl No** | **Dist: Tamenglong** | | | | |
| 1 | HONKA & SONS | TAMENGLONG | 0 | 8 | 8 KL HSD is reserved for Election (DEO/Tml),to be issued against authorised permit issued by DC. Register to be maitained |
| 2 | D. GAIDINGAM S.STN | NONEY | - | 8 | 4 KL HSD is reserved for Election (DEO/Tml),to be issued against authorised permit issued by DC. 4KL HSD is reserved for NHIDCL. |
| 3 | NAMRI KSK | TAMEI | - | 4 | |
| | | **Total** | **0** | **20** | |
| **Sl No** | **Dist: Chandel** | | | | |
| 1 | Moreh Agency | Moreh | - | - | **Already sufficient product is avaiable at the RO.** |
| 2 | CR Nicholas | | 4 | 8 | 4 KL each MS is reserved for Election (DEO/Cdl),to be issued against authorised permit issued by DC. Register to be maitained |
| | | **Total** | **4** | **8** | |
| **Sl No** | **Dist: Senapati** | | | | |
| 1 | DK Oil Agency | | - | **8** | 8 KL HSD is reserved for Election (DEO/Kangpokpi ),to be issued against authorised permit issued by DC. Register to be maitained |
| 2 | Bull Horn | Tadubi | - | - | Already 8 KL MS and 8 KL HSD is avaialble with the RO |
| 3 | J & D Oil, Senapati | | **-** | **8** | 8 KL HSD is reserved for Election (DEO/SPT),to be issued against authorised permit issued by DC. Register to be maitained. Allocated product is for entire Senapati District |
| | | **Total** | **0** | **16** | |
| **Sl No** | **Dist: Ukhrul** | | | | |
| 1 | KV Service | | 8 | 12 | 12 KL each HSD and 8 MS is reserved for Election. DC to issue permit. |
| 2 | SHIZA Auto | | | - | |
| | | **Total** | **8** | **12** | |
| | | **Grand Total** | **255** | **406** | |